


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, MAY 29, 2019 **PAGE 7**




*কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবা ব্রাজিল ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইনা খনখ্রবা পেরিস সেন্ট জর্মেনদা শান্নরিবা দানি অলভেস*

*পান্থোম শোকপনা মরম ওইরগা ৱার্ল্ড কপকী ইংলেন্দগা শান্নগদবা মেটচ য়াওবা ফংলরোইদবা সাউথ অফ্রিকাগী ভেটরান বোল্লর দেল স্টেন*

## নিলকান্ত শর্ম্মা এফ আই ঐচ সেরিজ ফাইনেলসতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী স্কৱাদ লাওথোকপদা য়াওখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ২৮(এজেন্সি)ঃ*

মণিপুরগী নুপা হোক্কী শান্নরোই মথং থাগী ৫ দগী উরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এফ আই ঐচ মেন্স সেজিরস ফাইনেলসতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী মেম্বর ১৮ না শাবা স্কৱাদ লাওথোকপদা য়াওখ্রে।

নিলকান্ত শর্ম্মা কুমজা ২০১৭ দগী হৌরগা ইন্দিয়াগী সেনিয়র নেসনেল হোক্কী টিমদা শরুক য়ারকখিবনি। কুমজা ২০১৮ দা ওমানগী সিটি মুস্কাটতা পাঙথোকখিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

মশাগী চহী ২৪ শুরবা মণিপুরগী শান্নরোই নিলকান্ত শর্ম্মা কুমজা ২০১৪ অমদি কুমজা ২০১৫ দা শরুক য়াদুনা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি।

এফ আই ঐচ মেন্স সেজিরস ফাইনেলস অসিগীদমক স্কৱাদ লাওথোরকপদা মণিপুরগী নিলকান্ত শর্ম্মা নত্তনা অতোপ্পা ষ্টেট অসিগী শান্নরোই অমত্তা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওখিদ্রে।

খুউ শোকপনা মরম ওইরগা থা ৯ হেন্না টুর্নামেন্ট অমত্তদা শরুক য়াবা ঙম্লুদ্রবা ফোরৱার্দ শান্নরোই রমনদিপ সিংহসু মেম্বর ১৮ না শাবা স্কৱাদ অসিদা অমুক হন্না য়াওবা ঙমখ্রে।



*নিলকান্ত শর্ম্মা*

মনপ্রিত সিংহনা মেম্বর ১৮ না শাবা নুপাগী হোক্কী টিম অসিগী কেপ্টেন ওইরগনি। অদুগা ভাইস কেপ্টেননা দিফেন্দর বিরেন্দ্র লাক্রানা ওইরি।

ওষ্ট্রেলিয়া টুরদা পোথাহনখিবা ভরুন কুমারগা লোয়ননা অমিট রোহিদাস অমদি মিডফিল্ডর সুমিতসু টিম অসিদা নৌনা য়াওবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিম অসিনা এফ আই ঐচ মেন্স সেজিরস ফাইনেলস অসিগী পুল 'এ' দা রুশিয়া, পোলেন্দ অমদি উজবেকিষ্টানগা লম্বা তৌনগনি। অদুগা পুল 'বি' দা জপান, মেক্সিকো, য়ু এস এ অমদি সাউথ কোরিয়ানা য়াম্বা তৌনগনি।

ইন্দিয়াগী টিম্না অহানবা মেটচ ওইনা জুন ৬ দা রুশিয়াগা শান্নদুনা মায় পাকহন্দুনা পুলগী মকোক থোংবা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি।

চথগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসি ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফায়িং ইভেন্ট অমা ওইবা মরম্না ফোরৱার্দ শান্নরোইশিং নীংথিনা মথৌ তৌহনবা তাই হায়না চীফ কোচ গ্রাহাম রেদনা ফোঙদোকখি।

চীফ কোচ রেদনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা টিম অসিগী মীৎয়েংদি টুর্নামেন্ট অসিদা শান্নরোইশিংনা লেপ্পা লৈতনা মখোয়–মখোয়গী লৈজবা পার্ফোমেন্স অদু পুথোক্কুনা মপুং ফানা শান্নহনবনি।

এফ আই ঐচ মেন্স সেজিরস ফাইনেলসতা শরুক য়াগদবা মেম্বর ১৮ না শাবা ইন্দিয়াগী স্কৱাদ অদুদি– গোলকিপরদা পি আর শ্রিজেস অমদি কৃসন বি পাথকনি। দিফেন্দরদা হর্মনপ্রিত সিংহ, বিরেন্দ্র লাক্রা (ভাইস কেপ্টেন), সুরেন্দর কুমার, ভরুন কুমার, অমিট রোহিদাস অমদি গুরিন্দর সিংহনি।

মিডফিল্ডরদা মনপ্রিত সিংহ (কেপ্টেন), হর্দিক সিংহ, ভিভেক সাগর প্রসাদ, সুমিত অমদি নিলকান্ত শর্ম্মনি। ফোরৱার্দতা মন্দিপ সিংহ, অকাসদিপ সিংহ, রমনদিপ সিংহ, গুরসাহিবজিৎ সিংহ অমদি সিমরনজিৎ সিংহনি।

## আলেকজেন্দর জ্বেরেভ অমদি দেল পোত্রো ফ্রেঞ্চ ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*পেরিস, মে ২৮(এজেন্সি)ঃ*

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চথরিবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপনগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্কুনা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভ অমদি আর্জেন্টিনাগী দেল পোত্রো অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৭–৬(৭–৪), ৬–৩, ২–৬, ৬–৭(৫–৭), ৬–৩ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা আর্জেন্টিনাগী জোন মার্টিন দেল পোত্রোনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা চিলিগী নিকোলাস জেরিবু সেট ৪ চঙনা শান্নরবা মতুং ৩–৬, ৬–২, ৬–১, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

৯শুবা সিদেদ ইটালিগী ফাবিও ফোগনিনিনা অতোপ্পা ইটালিগী শান্নরোই এন্দ্রিয়াস সেপ্পীবু ৬–৩, ৬–০, ৩–৬, ৬–৩ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

আর্জেন্টিনাগী ফেদেরিকো দেলবোনিসনা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্পেনগী গার্সিয়া লোপেজবু ৬–১, ৩–৬, ৬–৩, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ২৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ফ্রান্সকী কেরোলিনা গার্সিয়ানা জর্মনিগী শান্নরোই মোনা বার্থেলবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–২, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকানা নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লাটভিয়াগী জেলেনো ওষ্টাপেনকোবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৭–৬(৭–৪) দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

রুশিয়াগী দারিয়া কসাটকিনানা ইটালিগী জেসমীন পাওলিনিবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–২, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

বেলজিয়মগী ইরিনা কালেমলিয়া বেগুনা চাইনাগী লিন ঝুবু ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৬–১, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

প্যাটো রিকোগী শান্নরোই মোনিকা প্যুগসু ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী কিরষ্টেন ফ্লিপকেন্সপু ৬–১, ৭–৫ দা থোইরম্লবা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা মুচোভানা ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্টাভিয়েটপু ৩–৬, ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।





## তেলৌ সোসাইটি ফুটবোল ট্রোফিদা ৱাই এস সি, এফ সি লম্লাই অমদি ই য়ু এস ই (এ) মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ২৮(এস এন এস)ঃ*

ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লবনা শীন্দুনা ই য়ু এস সিগী গ্রাউন্দদা থা অসিগী ১৯ দগী টিম ৩১ না গ্রুপ ৮ থোক্না খাইদোক্কুনা চথরকপা ১৪শুবা তেলৌ সোসাইটি ফুটবোল ট্রোফি লম্লাই অমসুং খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র ভিলেজৱাইজ ৭ এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই এস সি লৌশাংখোং, এফ সি লম্লাই (এ) অমদি ই য়ু এস সি (এ) তেলৌ মায় পাক্কুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।

টুর্নামেন্টকী ২৬শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাই এস সি লৌশাংখোংনা সি ঐস ৱাই য়ু সি চালৌবু য়াম্না লাকচনা গোল ৭–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা ৱাই এস সি লৌশাংখোংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২ নরেসনা মেটচকী মিনট ৫, ১২, ৩৫ দা গোল অহুম, জর্সি নম্বর সুনিলনা মিনট ২৬ তা গোল অমা অদুগা অতোপ্পা গোল অহুম অদুনা জর্সি নম্বর ৯ কমান্দরনা মিনট ৩৩, ৩৮ অমদি ৪০ দা চনখি।

মেটচ অসিদা ৱাই এস সি লৌশাংখোংগী জর্সি নম্বর ৫ নোংপোকঙানবদা মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

২৭শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দদা এফ সি লম্লাই (এ) না ৱাই পি এফ য়াইঙংপোকপীবু গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা লম্লাই এফ সিগী গোলশিং অদু অবোইনা মিনট ৫, ৬ দা গোল অনী, হেরোজিৎনা মিনট ১৬, ৩৫ দা গোল অনী অদুগা অতোপ্পা গোল অমদুনা কবিরাজনা মিনট ২৮ দা চনখি।

মায়থিরবা ৱাই পি এফ য়াইঙংপোকপীগী গোল অদুনা মাষ্টরজিৎনা মিনট ৭ তা চনখি।

২৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা গ্রাউন্দদা ই য়ু এস সি (এ) না এন পি ৱাই সি চানাবু গোল ৯–০ দা মায়থিবা পীখি।

ই য়ু এস সি (এ) গী গোলশিং অদু মোবেলনা গোল ২, রমানন্দনা গোল ৩, জিতেননা গোল ২, অদুগা বিনোদ অমসুং জিতেননা গোল অমমম চন্দুনা পুন্না গোল ৯ অদু চন্দুনা মেটচ অদু চাওবা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

**ক্রোসৱার্দ ১৭৩ গী পাউখুম**

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | N | A | P | | S | O | B | E | R | | S | M | U | G |
| W | A | L | L | | C | H | A | S | E | | T | O | R | E |
| I | S | E | E | | A | D | D | E | D | | E | D | G | E |
| M | A | C | A | B | R | E | | | | T | R | E | E | S |
| | | | S | A | F | A | R | I | | W | I | L | D | E |
| D | E | T | E | R | | R | E | C | O | I | L | | | |
| E | V | A | D | E | S | | S | E | R | G | E | A | N | T |
| M | E | L | | | L | A | P | S | E | | | P | O | E |
| I | N | C | R | E | A | S | E | | S | L | E | E | T | S |
| | | | E | N | T | I | C | E | | O | N | S | E | T |
| S | C | A | L | D | | A | T | L | A | S | T | | | |
| N | A | M | E | S | | | | A | S | T | R | I | D | E |
| A | M | E | N | | A | D | E | P | T | | I | D | O | L |
| G | E | N | T | | L | O | O | S | E | | E | E | L | S |
| S | O | D | S | | I | N | N | E | R | | S | A | L | E |

## অলভেসনা কোপা অমেরিকাদা ব্রাজিলগী কেপ্টেন ওইরগনি

*ব্রাজিলিয়া, মে ২৮(এজেন্সি)ঃ*

মথং থাগী ১৪ দগী ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা কোপা অমেরিকাগী ৪৬শুবা ইদিসনদা ব্রাজিল টিমগী কেপ্টেন নেমারগী মহুৎ দানি অলভেসনা ওইরগনি হায়না ব্রাজিলিয়ান ফুটবোল কনফেদরেসন ( সি বি এফ) কী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৩৬শুবা দানি অলভেস ফ্রান্সকী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনদা ফুল বেক্কী থৌদাং চাওনা লৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮লক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ঙমখ্রবা ব্রাজিল কুমজা ২০১৬ গী ইদিসনদা গ্রুপ ষ্টেজ লান্থোকপা ঙমদনা লৈহৌবনি। গ্রুপ অদুদা ব্রাজিলনা বোলিভিয়া, পেরু, অমদি ভেনেজ্বেলাগা পুনখিবনি। হন্দক্কী সিজন অসিদসু টিম অহুম অসিগা পুল্লি। ব্রাজিলনা অহানবা মেটচ বোলিভিয়াগা সাও পাওলোদা জুন ১৪ দা শান্নরগনি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF FISHERIES: MANIPUR**
LAMPHELPAT: IMPHAL.

NOTIFICATION
Imphal, the 27th May, 2019

No. FD/TRG/14/98 (vol-II) 2009/153 : Sealed rate quotations are invited from willing Travelling Agencies ( GST registered) for hiring 1 (one) Night Super Deluxe Bus having 40 (forty) seats capacity in connection with the external study tour of IFTC. Lamphel for 18 (eighteen) days w. e. f 24/06/2019 to 11/07/2019.

The rate for hiring charge for 1 (one) day inclusive of fuel, holding charges and other taxes etc. should be quoted clearly both in figure and words. The last date of receipt of quotation is 14/6/2019 upto 1:00 p.m. and will be opened on the same day at 1.30 pm in presence of the quotationists their representatives. A security deposit of Rs. 20,000/-(Rupees twenty thousand) only should be accompanied with the tenderers' as D-at-Call drawn in favour of the Director of Fisheries, Manipur and the same will be kept as security deposit, for successful tenderers.

The undersigned reserves the right to accept or reject any of the quotations without giving any reasons thereof.

Sd/-
(Bidyarani Ayekpam)
Director of Fisheries, Manipur

SL/4849/29


**ISOR**
**INTERNATIONAL SCHOOL OF RESOURCES**
(A Co-Educational Hr. Sec. School of Science under COHSEM)
CANCHIPUR

**Admission Open**
**to Class XI Science (2019-20)**

**Facilities & Offers :**

1. Free studentship, Book Grant, Hostel/Bus Fees with a Scholarship of ₹ 10,000/- per Month for Position Holders (1st -25th ) in HSLC Exam. 2019 (For XI & XII Classes).
2. Free Admission, Tuition, Hostel/Bus Fees, Book Grant, For Securing 80% and Above (For XI & XII Classes)
3. Free Admission and Monthly Tuition Fees for Students Securing 75% and Above (for XI Class only).
4. Only Half Admission and Half Tuition Fees for Students Securing 70% and Above (For Class XI only).
5. Only Half Admission fees for Students Securing 60% and Above (For Class XI only).
6. Free Coaching for the 1st 80 Students Admitted to Class XI in the Subject Phy, Chm, Bio & Mth.
7. Free School Bags for Every Admitted Students.

For more details, Please Contact Principal ISOR

SL/4634/ 22th May to 15 days

**ISOR - Educating the Minds to start-up**


### In the Court of Sub-Deputy Collector
**Salam, Imphal West**

*Ref. :- Mutation Cass No. 220/SDC/IW/Salam of 2019*

1. Sagolshem Ingocha Singh S/o (L) Temba Singh of Awang Khunou Maning Leikai
2. -do- Mangijao Singh S/o Chandrabodo Singh of -do-

*- Petitioners*

*-Verses-*

1. Late Sagolshem Temba Singh S/o Teramacha Singh of Awang Khunou
2. Late Sagolshem (N) Ibeni Devi D/o Teramacha Singh of Awang Khunou

*- Opposite Parties*

**NOTICE**

*Imphal, the 28th May 2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Sagolshem Temba Singh & Sagolshem (N) Ibeni Devi পীং মৃঃ S.Teramacha Singh সাং Awang Khunou গী মিংদা লৈবা Salam তহশিলগী খুল নং 77- Awang Khunou গী অনৌবা পাট্টা নং 297 দাগ নং 78 অমসুং এরিয়া 0.81 acre চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌনিংলবদি অইবা চেগা লোয়ননা তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথরগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
Salam, Imphal West

SL/B(L)C/29

### In the Court of Sub-Deputy Collector
**Salam, Imphal West**

*Ref. :- Mutation Cass No. 221/SDC/IW/Salam of 2019*

Dhanabir Thangjam S/O (L) Thangjam Kameshwor Singh of Uripok Sinam Leikai

*- Petitioner*

*-Verses-*

(Late) Thangjam Kameshwor Singh S/o (L) Nakul Singh of Uripok Sinam Leikai

*- Opposite Party*

**NOTICE**

*Imphal, the 28th May 2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার থাংজম কামেশ্বর সিংহ পীং মৃঃ নকুল সিংহ সাং উরিপোক সিনাম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৬৫–থাওরোইজমগী অনৌবা পাট্টা নং ৭৮ (অনৌবা) দাগ নং ১৪২, ১৪৬ অমসুং এরিয়া ০.৯৬৯৯৯, ০.৫৭৯৯৯ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌনিংলবদি অইবা চেগা লোয়ননা তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথরগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
Salam, Imphal West

SL/B(L)A/29

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
Bashikhong, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 268/SDC/IE (B) of 2019

Shri Naorem Shamungou Singh S/o (L) N. Mukta Singh of Thongju Part-II

Petitioner

-Vs-

(L) Naorem Athoi Devi D/o (L) N. Mukta Singh of Thongju Part-II

O.P.

**NOTICE**

Bashikhong, the 27th May 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি–Imphal East Bashikhong Circle গী Village No. 56-Bashikhong গী Patta No. 320 (অরিবা), 256 (অনৌবা) Dag No. 750 measuring an area 0.02833 acre on the western side out of .08500 acre গী Co-Pattadar No. 3 অসি মৃঃ (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Pettitioner না লৈখিদ্রবা Pattadar গী মমিংদা লৈবা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট / application থাররে।

মরম অসিনা পাওচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC/ Bashikhong Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

SL/RP/ 29

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
Keirao Bitra, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 161/SDC/KBT/2019

1. Thiyam Shyamkeshwor Singh S/o (L) Modhu Singh of Keishampat Leimajam Leikai
2. Thiyam Katon Singh S/o -do- of -do-
3. Duran Thiyam S/o (L) Thiyam Prafullo Singh of -do-

Petitioners

-Vs-

Late Thiyam Madhu Singh S/o (L) Iboton Singh of Keishamthong Leimajam Leikai

O.P.

**NOTICE**

Keirao Bitra, the 28-05-2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East KBT Circle গী Village No. 58-Langthrei Loukol গী Patta No. 286 (অরিবা) 154 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 1229 an area 0.90000 acre of Phourel class লম অসিগী Pattadar Th. Modhu Singh অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মচা মশুশিংনা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, KBT Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
KBT, Imphal East, Manipur

SL/B(L)/29